সেন্টরগী টিমনা অসামদা ঈচাওগী ফিভম য়েংশিল্লি

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি):

নোংজু থাগী ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিং য়েংশিন্নবা মীওই ৬ না শাবা সেন্টরগী টিম অমা ঙরাং অসামদা থুংলখ্রে। টিম অদুনা তোঙান তোঙানবা মফমদা ঈচাওগী ফিভম য়েংশিল্লগা অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা সেন্টরদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলগনি।

মে ২২ দগী ওগষ্ট ২০ ফাওবদা ঈচাওগা মরী লৈননবা থৌদোকশিংদা অসামগী মীওই ১৩৩ শিখ্রবনি। অসাম দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী রিপোর্ট অমনা হায়, নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা লাকখিবা সেন্টরগী টিম অদুনা রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট অমদি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী সিনিয়র ওফিসলশিংগা উনদুনা ৱারী শান্নগদৌরি। অসাম গভর্নমেন্টনা ইন্টরিম ফ্লদ দেমেজ রিপোর্ট অমা সেন্টরদা মাঙজৌননা থাবা লৈখ্রবনি।

হৌজিক ফাওবদা নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এস দি আর এফ) কী পর্সনেলশিংনা মীওই ৮১,০০০ রেস্ক্যু তৌবা লৈখ্রে। অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী রিপোর্টনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৩০দা হেক্তা ২,৬৫,৪০২ পাক চাওবা লৌফম মাঙ তাক্লে। খ্বাইদগী ফিভম থিনা শোক্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংদি গোলপরা, মোরিগাউন, বোঙ্গাইগাউন, ধেমাজি, বক্সা, নগাউন, কোক্রাঝার, ধুব্রি, সোনিটপুর, জোর্হাট অমসুং কামরুপ রুরেলনি। হন্দক্তা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা পীখিবা রিপোর্ট অমদা ষ্টেট অসিগী মীওই লাখ ৫৬.৯ ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লুরে হায়না ফোঙদোকখি।

অৱাবা তারবা মীয়ামগীদমক য়েংলগা তোঙান তোঙানবা মফমদা রিলিফ কেম্প ৬২৬ হাংদোক্তুনা মীওই ১,৫৬,৮৭৪ চঙফম লৌরি। দিষ্ট্রিক্ট ৮ দা নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সনা মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলি। অতোপ্পা মফম ৪০ দা ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সনা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলি। হৌজিক হৌজিক চথুরিবা রেস্ক্যু ওপেরসনদা এ এস দি এম এ, এস দি আর এফ, এদ দি আর এফ, সার্কল ওফিস, সিভিল দিফেন্স, আই দব্লিয়ু টি অমদি মীয়াম্না শরুক য়ারি।

মেঘালয়া গভর্নমেন্টনা অরোয়বা ৱারেপ লৌরগনি

শিল্লোং, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি):

নোর্থ-ইষ্টর্ন হীল য়ুনিভর্সিটি (নেহু)গী এগজাম পাঙথোকপা নৎত্রগা পাঙথোক্তবগী মতাংদা মেঘালয়া লৈঙাক্কী হেল্টঠ দিপার্টমেন্টনা অরোয়বা ৱারেপ অমা লৌরগনি। ওগষ্ট ২১ দা নেহুনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা সেপ্তেম্বর থাগী ৩ শুবা চয়োলদা ফাইনেল য়র এগজাম পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিশিংনা মহৈরোয়শিংদা অপাম-পামদা ফোঙদোরক্লবগী খুদোংচাবা পীখি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর ডা. অমন ৱারনা হায়খি মদুদি, হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্না অরোয়বা ৱারেপ অমা লৌরগনি। কোভিদ-১৯ গী লাইচৎ লাকশিনবা ঙমদ্রিঙৌদা এগজাম পাঙথোকপনা করি ফিভম ওইহল্লকপা য়াবগে হায়বদু কুপ্না খন্নখিগনি হায়রি। নেহুনা পোষ্ট গ্রেজ্যুএট অমদি অন্দর গ্রেজ্যুএটকী এগজাম পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবা তারবসু হৌজিক ফাওবা চপ চানা মতম লেপ্পা লৈত্রি। মহৈরোয়শিংনা এগজামদা শরুক য়ানিংলবদি ওগষ্ট ৩১গী মমাংদা ফোর্ম পীশিল্লকদবনি হায়নসু খঙহনখি।

অতুল বোরানা অমুক্কসু প্রসিদেন্ট ওইরে

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি): অতুল বোরাবু অমুক্কা হন্না অসোম গন পরিষদ (এ জি পি)গী প্রসিদেন্ট খল্লে হায়না লাউথোকখ্রে। ভেটরান লিদর অসিবু লম্বা অমত্তা য়াওদনা পার্টিগী প্রসিদেন্ট খল্লে হায়না এ জি পিগী ৱারোল অমনা ফোঙদোরকখি। গুৱাহাতিদা লৈবা এ জি পিগী হেদ ক্বার্টরসতা পাঙথোকপা ১১ শুবা সেন্ট্রেল জেনরেল কনফরেন্সতা অতুল বোরাবু লম্বা য়াওদনা প্রসিদেন্ট খনখি। ফম অসিগীদমক অতোপ্পা মীওই অমত্তনা মীরেপ চে পীশিল্লকপা লৈখিদে। কেসব মহন্তবুনা পার্টিগী ৱর্কিং প্রদিন্টে ওইনা খনখি। পাউমীশিংগা উনবা অমদা বোরানা হায়খি, কোভিদ-১৯গী প্রোতোকোল ঙাক্না মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা থৌ পুবা কয়া খল্লে। কোর্টনা পার্টি অসিগী জেনরেল কনফরেন্স পাঙথোকপা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখ্রবসু জেনরেল কনফরেন্স পাঙথোকখিবনি।

ঙমখৈ লানশিল্লকপা বাংলাদেশি ৭ বি এস এফনা ফারে

অগরতালা, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি):

হ্যুমেন ট্রাফিকরশিংগী মতেং লৌরগা অয়াবা য়াওদনা ঙমখৈ লানশিল্লকখিবা বাংলাদেশি ৭ বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)না ফারে। বাংলাদেশি ৭ অদু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নাদিয়া দিষ্ট্রিক্টকা লোন্নবা ত্রিপুরাগী মফম অমদগী ফাখিবনি হায়না বি এস এফনা ফোঙদোকখি।

মিদিয়া হাউসশিংদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা বি এস এফনা হায়খি, অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী মহেন্দ্র এরিয়াদা হাংদোকপা বোর্দর আউটপোষ্টতা মথৌ তৌবা পর্সনেলশিংনা বাংলাদেশি ৭ ফাবা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা নুপী ২ অমসুং শুপ্পগী চহী ৩ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমা য়াওরি। গজনা-তরকপুর রোদকী মফম অমদা গাড়ি ঙাইদুনা লৈরিঙৌদা বাংলাদেশি ৭মক ফাখিবনি। বি এস এফকী পর্সনেলশিংনা শক্তাকচে হংলুবা মতমদা বাংলাদেশি ৭ অদুনা মরী লৈনবা চে-চাং অমত্তা পুথোকপা ঙমখিদে। মখা তানা ৱাহং পাউহং চথুবদা মীওইশিং অদু শম্বল খাদবা ঙমখৈগী শরুক অমদা লোন্না লানশিল্লকখিবনি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি সকিল সেখ (৩০), মহমদ রহিম (২৩), সুমি অক্তার (২২), পারুন অক্তার(২৬), পারুন বেগেম (২৪), চম্পা বেগেম (২৬) অমসুং য়াশিন সেখ (৩) নি। বি এস এফনা ফারবা মীওইশিং অদুদগী বাংলাদেশকী শেলয়েক্তা তাকা ২,১০৬ ফাগৎপা ঙমখি। নোংমগী অফং ফংবা থবক শুনবগীদমক মীওই ২ হায়দ্রবাদ তন্না চৎকদবনি অমসুং অতোপ্পা মীওইশিং অদুনা চেন্নাই তন্না চৎকদবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। নুপীশিং অদুদি সিকন্দরবাদ বস ষ্টেসন মনাক্তা লৈবা য়ুম অমদা হান্নদগী হৌনা অঙাং শেন্নবগী থবক তৌদুনা লাক্লবনি হায়রি। নুপাশিং অদুনা ইলিয়াস কৌবা মীওই অমা উন্নরগা লেবরর ওইনা থবক শুনবা থৌরাং তৌরম্বনি। মীওইশিং অদুবু বাংলাদেশতকী কালিক অমদি কিতাপ অলি সিকদার কৌবা মীওই অনীখক্না থারকখিবনি। সিকন্দরবাদতা লৈবা মীওই অমগা চেন্নাইগী মীওই অমগনা মখোয়গী চৎথোক চৎশিন তৌনবগী অচঙবা শেনফম পুথোকপনি হায়রি।

‘মিজোরামদা অফস্পা চৎনদে হায়বা সেন্টরনা খঙগদবনি’

আইজোল, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি):

অসাম রাইফলসনা কা হেনবা চথুরকপগী মতাংদা মিজোরাম গভর্নমেন্টনা হায়খ্রে মদুদি, ষ্টেট অসিদা আর্মর্দ ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্ট (অফস্পা) চৎনদে হায়বা সেন্টরনা ময়েক শেংনা খঙফম থোকই।

পেরামিলিটরি ফোর্স অসিনা সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসনদা মতেং পাংবদা অকায়বা লৈতে অদুবু ষ্টেট লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা মখল অমত্তগী থৌরাং লৌখৎপা ঙমদে হায়না চীফ সেক্রেটরি এল চুৱাঙ্গোনা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় ভলাদা অইবা চেরোল অমা থাখি।

হোম দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল সেক্রেটরি রামদিনলিয়ানিনা এজেন্সিদা হায়খি, অসাম রাইফলস অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী মরক্তা মুক্ন বা য়াবা থৌদোক অমত্তা থোকহল্লোইদবনি। অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমদা শরুক য়াখিদবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী ৱাফম থৌশাখিদে অদুগীদমক ওগষ্ট ১১ দা ৱারেন্ট ওফ প্রোসিজর (দব্লিয়ু ও পি) অমা ফোঙখি। ষ্টেট অসিদা মথৌ তৌরিবা বৃগেদিয়র থাক্কী ওফিসলশিং, এদিসনেল সেক্রেটরিগী থাক্তা লৈবা ওফিসলশিংগা থাক মান্নে। অদুমওইনমক ওগষ্ট ১৪ দগী অনৌবা দব্লিয়ু ও পি অদু চৎনহন্দনা থন্নকখি। অসাম রাইফলসনা ভি আই পিগী পার্কিংদা গাড়ি কয়া খামজিন্দুনা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমদা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিং শরুক য়াহন্দনবা হোৎনখি।

অতোপ্পা চেরোল অমদা চীফ সেক্রেটরিনা হায়খি, সিক্যুরিটি পর্সনেল কয়ামরুম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা তারবসু ঙমখৈদা চৎথোক-চৎশিন তৌহল্লি। ষ্টেট লৈঙাক্না অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিং লমদম অসিদা মখা তানা মথৌ তৌহন্নিংবগী অপাম্বা লৈ। অদুমওইনমক দিষ্টর্ব এরিয়ানি হায়বা খঙদবগী মওংদা পর্সনেলশিংনা মরক মরক্তা কা হেনবা থৌদোক হেক হেক চথুরকই। ৱাফম অসিমক ষ্টেটকী হোম সেক্রেটরি লালচমলিয়ানানা ২৩ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসকী বৃগেদিয়রগা ৱারী শান্নবা লৈখ্রে।

হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, মরম চাদবা মওংদা দি আই জিনা প্রেসতা ষ্টেটমেন্ট থাদোকপা তৌরোইবনি। নাকল অমরোমদা, বৃগেদিয়র বিনোদনা হায়খি মদুদি, অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা কোভিদ-১৯ গী প্রোতোকোল নীংথিনা ঙাক্লি। সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং ষ্টেট অমদগী অতোপ্পা ষ্টেট অমদা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াহল্লবসু কোভিদ-১৯গী প্রোতোকোল ঙাকপা মরম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইদে।

কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিং পুক্নিং চাওথোক্লবা স্বামি বিবেকানন্দাগী লাইরিক পাহনখ্রে

অগরতালা, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি):

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মীপুম খুদিংমক পুক্নিং শোন্থরকপা মরম্না পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং ৱাখল চাওথোক্লবা স্বামি বিবেকোনন্দাগী লাইরিক পাহনখ্রে। অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা ত্রিপুরা গভর্নমেন্টনা কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিংদা স্বামি বিবেকানন্দাগী লাইরিক য়েন্থোকখি।

চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা ফেসবুক্তা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংনা বিবেকানন্দাগী লাইরিকপাবা মতমদা পুক্নিং চাওথোরকপা থেংনরে। লাইরিকশিং অসি নত্তবা অতোপ্পা লাইনিং-লাইশোনগী ওইবা লাইরিক কয়াসু হোস্পিটালশিংদা চক্লুনা য়েন্থোকপা হোৎনরি।

অগরতালা গভর্নমেন্ট মেদিকেল কোলেজ অমদি অগরতালা মেদিকেল কোলেজগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টশিংদা চীফ মিনিষ্টরনা লাইনিং লাইশোনগী ওইবা লাইরিক ২২ খুৎশিন্নখি। লাইরিকশিং অদু অনাবা মীওইশিংনা নীংথিনা পাহনগদবনি হায়নসু পাউতাক পীখি।

চৈরকসিদা চীফ মিনিষ্টরনা কোভিদ-১৯ গী সেম্পল কয়াসু নোংমদা টেষ্ট তৌনবা মরী লৈনবশিংনা খঙহনখ্রে। লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিংদা মীচম মীয়াম্নসু অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্না অপিল তৌখি।

CROSSWORD-3543



ACROSS
1 Remove, separate (6)
4 Scallywag (6)
8 Cathedral cleric (5)
9 Sandwiches, slangily (7)
10 Remote (7)
11 Rest period (5)
12 Equipment (9)
17 Burdened (5)
19 Chilli sauce (7)
21 Causing inconvenience (7)
22 Long, pine (5)
23 Less burdensome (6)
24 Citrus fruit (6)

DOWN
1 The 1980s, for example (6)
2 North African country (7)
3 Dance performed by people in single file (5)
5 Gymnastic performer (7)
6 Rebuke (5)
7 Capital of Zambia (6)
9 Soaked (9)
13 Writer's pseudonym (3,4)
14 Support (7)
15 Corruption in public life (6)
16 Sitting room (6)
18 Noblemen (5)
20 Purchaser (5)

Solution 3542

O	N	C	E	■	T	H	E	P	R	E	S	S
P	■	U	■	S	■	O	■	O	■	A	■	A
P	E	R	S	I	A	N	■	S	H	R	U	G
O	■	S	■	M	■	E	■	E	■	A	■	E
S	L	E	E	P	■	S	P	R	U	C	E	■
I	■	■	■	L	■	T	■	■	■	H	■	D
T	A	S	S	E	L	■	S	P	E	E	D	Y
E	■	H	■	■	■	A	■	A	■	■	■	I
■	P	O	I	R	O	T	■	R	O	W	A	N
W	■	R	■	O	■	H	■	I	■	H	■	G
A	C	T	U	P	■	O	N	T	H	E	G	O
I	■	E	■	E	■	M	■	Y	■	R	■	U
F	I	N	I	S	H	E	D	■	R	E	N	T

SOLUTION ON NEXT ISSUE

ষ্টেটকী পাউ

দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মোনিটরিং কম্মিটিগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস) :

চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ফার্মর প্রদ্যুসর ওর্গনাইজেসন (এপ পি ও) ১০,০০০ শেম্নবগী মতাংদা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সী ওফিসতা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মোনিটরিং কম্মিটিগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট মোনিটরিং কম্মিটিগী চেরমেনসু ওইরিবা দেপ্যুটি কম্মিসনর পৱন য়াদবনাময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা নৌনা লোঞ্চ তৌরকপা সেন্ট্রেল সেক্তর স্কিম (সী এস এস) অসি মায় পাক্লা থবক্তা ওন্থোক্লবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

য়ুনিয়ন বজেট ২০১৯-২০ দা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রীকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফেয়রগী মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রীকলচর, কোওপরেসন এন্দ ফার্মরস ৱেলফেয়রনা স্কিম অসি পায়খৎলকপনি।

থৌরম অদুদা নাবার্দকী এ জি এম থাংচিনখুপ গুইটেনা এফ পি ওগী মতাংদা শন্নকপা ৱারোল থমখি। চহী মঙাগী মনুংদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা অনৌবা এফ পি ও ১০,০০০ শেমগৎনবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। এফ পি ওশিং লিংখৎপা অমসুং হিংহনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা এজেন্সিশিংদি এস এফ এ সী, এন সী দি সী অমসুং নাবার্দনি।

দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মোনিটরিং কম্মিটিগী অহানবা মীফম্না স্কিম অসি মায় পাক্লা থবক্তা ওন্থোক্লবা কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা এফ পি ও শেম্না য়াগদবা ক্লষ্টর ১০ মশক খঙদোকখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মোনিটরিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচর ওফিসর, এ সী টু দি সী, কে ভি কেগী সিনিয়র সাইন্টিষ্টনচিংবা য়াওখি।

ফেসলেস এসেসমেন্ট স্কিম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস) :

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা ‘ফেসলেস এসেসমেন্ট স্কিম’ গী মতাংদা ৱেবিনার পাঙথোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা প্রিন্সিপাল কম্মিসনর ওফ ইনকম টেক্স জে র্হাট এন্দ শিল্লোংনা প্রিন্সিপাল চীফ কনম্মিসনর ওফ ইনকম টেক্স নোর্থ-ইষ্ট রিজন কবিতা ঝাগী লিচিং মখাদা ঙসি টেক্সপেয়র, চেম্বর ওফ কর্ম্যস, ট্রেদ এন্দ ইন্দস্ট্রি এসোসিএসন অমদি টেক্স প্রক্তিসনরশিংগা লোয়ননা ৱেবিনার অমা পাঙথোকখ্রে।

হৌখিবা জুলাই ৫ দা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন বজেটকী ৱারোল পীবদা লাউথোকখিবা ‘ফেসলেস এসেসমেন্ট স্কিম’গী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলশিং ৱেবিনারদা শরুক য়াখিবা পুম্নমক্তা ময়েক শেংনা খঙহনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌখিবা ওগষ্ট ১৩ দা ফেসলেস এসেসমেন্ট স্কিমগী প্লেটফোম লোঞ্চ তৌখি। স্কিম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা পুম্নমকপু মমুৎ তানা খঙহন্নবগী পান্দমদা ঙসি ৱেবিনার অসি পাঙথোকখিবনি।

এসিষ্টেন্ট কম্মিসনর ওফ ইনকম টেক্স, ইম্ফাল আর কে হরিদাসনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকখিবা ৱেবিনার অদুদা প্রিন্সিপাল কম্মিসনর ওফ ইনকম টেক্স, জোর্হাট এন্দ শিল্লোং রাহুল কর্নানা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখি। স্কিম অসিগী তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়ামরুম পাৱর পোইন্টকী খুথাংদা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

ৱেবিনারদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা হংলকখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম প্রিন্সিপাল কম্মিসনর ওফ ইনকম টেক্স জোর্হাট এন্দ শিল্লোং রাহুল কর্নানা মরিক চুম্না পীখি। স্কিম অসিগা মরী লৈননা কান্নরবা ৱাফম কয়ামরুমসু ৱেবিনারদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা পুখৎলকখি হায়না প্রিন্সিপাল কম্মিসনর ওফ ইনকম টেক্সকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা মীওই ৩৪০ ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ শন্দারক্লিবা অসিবু থিংনবগীদমক্তা মণিপুর লৈঙাক্না লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনচিংবা থমদুনা মীয়াম য়ুমদগী মপান থোক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং পায়খৎলবসু লন্মীদা থোরকপদা অমদি মীয়াম মরক্তা ফেস মাস্ক উপ্তবা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওই কয়া পুলিসনা ফাগৎলগা দিটেন তৌরগা ফাইন থিহনবা লেপ্তুনা চথরি।

ঙসিসু পুলিসনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগায়রগা লন্মীদা থোরকপদা ফেস মাস্ক অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওই ৩৪০ রোম পুলিসনা ফাগৎতুনা দিটেন তৌবগা লোয়ননা মতুংদা অমুক তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা অমদি ফাইন থিহল্লগা থাদোকখি।

পুলিস দিপার্টমেন্টনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদা চথখিবা দ্রাইভ অদুদা লোকদাউন অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা পুম্না মীওই ৩৪০ দিটেন তৌরগা ফাইন ওইনা লুপা ৬৬,৫০০ রোম খোমগৎখি। পুলিসনা চথরিবা লোকদাউনগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা কনাগুম্বশিংনা অথিংবা অসি থুগায়দুনা থোরকপা মীওইশিং নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫কী মতুংইন্না লোগী ওইবা অকনবা চৈরাক পীবসু য়াই হায়না পুলিসনা চেকশিন ৱারোল থন্নক্লি।

পি দি এসকী চেঙ অমসুং হৱাই লেপ্তনা চিংথোক্লরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিশিংদা পীবা পি দি এসকী চেঙ অমসুং হৱাই লেপ্পা লৈতনা চিংথোক্লরি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তদুবী এ সীগী ওইনা পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা চেঙ ক্বিইন্টল ৬৩২.৭৫ অমসুং নফসাগী মখাদা চেঙ ক্বিইন্টল ৫৮৩.৫৫ ঙসি চিংথোকখ্রে। এ সী অসিগী ওইনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৬ তসু পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা চেঙ ক্বিইন্টল ১১৬৭ অমসুং নফসাগী মখাদা চেঙ ক্বিইন্টল ১৩৯০.১০ চিংথোকখ্রে হায়রি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তামৈ এ সীগী ওইনা পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা চৎলিবা থা অসিগী ওইনা এলোকেট তৌবা চেঙ ক্বিইন্টল ১১৮২.১০ ঙসি এফ সী আই গোদাউন, সঙাইপ্রৌদগী চিংথোকখ্রে।

জিরিবাম এ সীগীসু হায়রিবা স্কিম অসিগী মখাদা সেপ্টেম্বর থাগী ওইনা এলোকেট তৌবা চেঙ ক্বিইন্টল ১,৮৭০.৭০ এফ সী আই গোদাউন, জিরিবামদগী চিংথোকখ্রে। চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী হেংলেপ এ সীগী ওইনসু ওগষ্ট থাগী ওইনা পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা এলোকেট তৌবা চেঙ ক্বিইন্টল ১৭২৯.৪৫ ঙসি চিংথোকপা লোইখ্রে। চূড়াচান্দপুর এ সীগীসু স্কিম অসিগী মখাদা সেপ্টেম্বর থাগী এলোকেসন ওইনা চেঙ ক্বিইন্টল ৩৭১.৬০ চিংথোকখ্রে হায়রি।

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3342

3		8	6				9	7
4	7							3
							1	
		7		1	3		2	
		6	2		7	3		
	2		8	6		5		
	1							
7							3	8
6	3				8	1		9

Solution-3341

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

2	3	1	7	8	4	5	6	9
7	6	4	5	9	3	2	8	1
9	8	5	2	1	6	4	7	3
4	5	2	1	6	7	3	9	8
8	1	7	3	2	9	6	5	4
3	9	6	4	5	8	7	1	2
5	4	8	9	7	2	1	3	6
6	7	3	8	4	1	9	2	5
1	2	9	6	3	5	8	4	7

লুপা লাখ ২৪ গী রেন্সম দিমান্দদা ফারম্বা মীওই ১ পুলিসনা কনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):

হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ শন্দোরকপদগী মীয়াম্না মীপাইদুনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা শকখঙদবা মীওই খরানা নন মণিপুরী অমা লুপা লাখ ২৪ গী রেন্সম দিমান্দদা ফাজিল্লগা থল্লম্বদগী পোরোমপাৎ পুলিসকী টিম অমনা কনবা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, থা অসিগী ২৩ দা মশক খঙদবা মীওই অনীনা ইম্ফাল ইষ্টকী হাটা এরিয়াদগী নন মণিপুরী অমা লুপা লাখ ২৪ গী রেন্সমদা ফাখি হায়রি। পাউ অদু পোরোমপাৎ পুলিসনা হেক ফংবগা থি-হুম্বা চথখি। শকখঙদবশিংনা ফাখিবা নুপা অদুগী মমিংনা প্রভুমান য়াদব (২১) অপোকপা ভোলা য়াদব কৌই। মহাক উত্তর প্রদেশকী অনুধারিপুর খুলদা লৈবনি। মহাক থা অসিগী ২৫ দা ইম্ফাল গোলাপটিদা লৈবা য়ুম অমদগী পোরোমপাৎ পুলিসনা কনবা ঙমখ্রে। অদুবু চেন্নবা মীওইশিং অদুদি ফানবা পুলিসনা কন্না থিবা-হুম্বা চথরি হায়রি।

ফ্লাইটতা মীওই ১১৮ রোম পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা তোঙান তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১৮ রোম ঙসি ফ্লাইট অনীদা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.১০ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-২৫১ ফ্লাইটতা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৩২, নুপী ৭, অঙাং ৩ য়াওনা পুন্না মীওই ৪২ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। অনীশুবা ফ্লাইট এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ অসিনা অয়ুক পুং ১০.৪৫ রোম তাবদা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৬৪, নুপী ১১ অমদি অঙাং ১ য়াওনা পুন্না মীওই ৭৬ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি।

ঙসি তোঙান তোঙানবা ফ্লাইট অনীদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখিবা মীওই ১১৮ অদু এয়রপোর্টকী মেদিকেল ষ্টাফশিংনা স্ক্রিনিং তৌবা লোইরগা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসনা অমুক পুরগা ঘড়ীদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমীদা থমখি। তুংদা মখোয় তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টকী মরী লৈনবা মীওইশিং লাক্লগা ক্বারন্টিন তৌনবা পুখি হায়রি।


কৈনু
ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম
কমদৌনা লমন শিংসিগেনা ৱাখল তৌরক্লমী।
অয়ো !
কৈনু নাশিন্নবা হৌরক্লমী।
কৈদৌরে কৈনু, নশা ঙমদ্রবরা ?